# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-10-2025)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লোক খুবগী হিদাক মখল অনি- রিলাইফ অমসুং রেসপিফ্রেস য়োনবা অমসুং শিজিন্নবদা ড্রগ কন্ট্রোল এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথিংবা থমখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং অনি ঙসি হৌদোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) লাক্কদৌরিবা হরাউ কুম্মৈশিংগা মরী লৈননা এয়ারলাইনশিংনা টিকেৎকী মমল হেনগৎতনবা কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রাম মোহন নাইদুনা আপীল তৌখ্রে।

**------**

**ড্রগ (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী মখাদা লৈরিবা ড্রগ কন্ট্রোল এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীওইবগী অনা লায়েংদা শিজিন্নবা হিদাক মখল অনি- রিলাইফ অমসুং রেসপিফ্রেস য়োনবা অমসুং শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে।

ষ্টেট ড্রগ কন্ট্রোল্লর মণিপুর এস. বালেশ্বর সিংহনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা গুজরাতকী এম.এস. সেপ ফারমা প্রাইভেট লিমিতেদনা শাবা রিলাইফ অদুগা গুজরাতকা এম.এস. রেডনেস ফারমাসিউতিকেলসনা শাবা রেসপিফ্রেস হায়রিবা হিদাক মখল অনি অসিদা হকচাং শোকিঙাই ওইবা দাইথাইলিন গ্লাইকোন য়াওই হায়বগী ৱাফম মধ্য প্রদেশ সরকারগী ড্রগ টেষ্টিং লেবোরেটরি ভোপালনা রিপোর্ট

তৌখ্রবনি। মরম অদুনা হায়রিবা হিদাক মখল অনি অসি রাজ্য অসিদা য়োনবা অমদি শিজিন্নবা থিংবনি। হিদাক মখলশিং অসিদা য়াওরিবা দাইথাইলিন গ্লাইকোন অসিনা মীওইবগী কিদনিদা শোকহল্লি। কনাগুম্বা মীওইনা হায়রিবা হিদাক মখলশিং থল্লগদি মরী লৈনবা ওথোরিতিদা পীশিনগদবনি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফারমাসিশিংনা হায়রিবা অথিংবা থমখ্রবা হিদাক মখলশিং অসি য়োল্লিব্রা হায়বদু অকনবা মওংদা য়েংশিনবগী থবক হৌরে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

**হার্ট ডে (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগী নোন-কম্মুনিকেল দিজিজ সেলনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড হার্ট ডে ২০২৫ চান্দেলগী পুরুম চুম্বাং খুলগী কম্মুনিতি হোলদা পালন তৌখ্রে। দোন্ট মিস এ বিটস হায়বা হিরমদা পালন থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। মদুদা চান্দেলগী চীফ মেদিকেল ওফিসার জোয়সন মেথিউ মোনসাং, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ শকচুং সেরবুন অমদি জিলা অসিগী নোন-কম্মুনিকেল দিজিজ সেলগী নোদেল ওফিসার ডাঃ এল. দেবেন সিংহ শরুক য়াখি। পালন থৌরম অসিগী মনুং চন্না ই.সি.জি, হাইপর টেন্সন, দাইবেটিক্স, সরভিকেল ব্রেষ্ট অমদি ওরেল কেন্সরগা লোয়ননা টি.বিগী লেমা স্ক্রিনিং তৌখি।

**ফয়ার (এল)ঃ** মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা লুচিংদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই অৱাং লৈকিনথবীগী গুহা অমদা তাশিনখিবী নুপী অমা কনখ্রে। মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী চেরোল অমনা হায়- সেকমাই পুলিসকী পার্সোনেলশিং অমসুং ৮ শুবা গুরখা রাইফলসকী ২ শুবা বত্তাল্লিয়নগী মীওইশিংগা লোয়ননা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী অনৌবা খুৎশু খুৎলায়শিংগা লোয়ননা নুপী অদুবু কনখিবনি।

**ডে (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইম্মুনাইজেসন ওফিসনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা সব-নেসনেল ইম্মুনাইজেসন ডে (এস.এন.আই.দি-আই.পি.পি.আই)গী ত্রেনিং ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কাংপোকপী

জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা মীওই ৫০ রোমা ত্রেনিং অসিদা শরুক য়াখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং অনি ঙসি হৌদোক্লগনি।

লৌমীশিংগী পোত্থোক হেনগৎহন্দুনা হেন্না শেন্থোক লৈহন্নবগী পান্দমদা ঙসি হৌদোক্কদবা থৌরাংশিং অদুদি- প্রধান মন্ত্রি ধন ধনিয়া কৃষ্ণি য়োজনা অমদি সেল্ফ রিলায়েন্স ইন পলসেস হায়বা অসিনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা ঙসি থৌরাংশিং অসি প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোক্কনি। মদুদা লৌমীশিংগসু হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শাগনি। সরকার অসিনা লৌমীশিংগী য়াইফনবা অমদি লৌউ শিংউগী লমদা মীপাল তাংদবগা লোয়ননা খুঙ্গংগী লমদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক খোঙজেল য়াংশিন্নবগীদমক থৌরাংশিং অসি পায়খৎপনি হায়রি। থৌরাং অনি অসিদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৩৫ হেন্না থাদগনি। মসিগী মনুংদা লুপা লিশিং ২৪ রোমা পি.এম. ধন ধনিয়া য়োজনাগীনি। লুপা কোতি লিশিং ১১ না মিসন ফোর আত্মা নিরভরতা ইন পলসেস হায়রিবা থৌরাংগীনি।

লৈবাক পুম্বগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোক্কদৌরিবা থৌরাং অসিগী মনুং চন্না মণিপুরদসু লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা কোনুং মমাংদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস)কী ওদিতোরিয়মদা থৌরাংশিং অসি হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মদুদা রাজ্য সরকারগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি এগ্রিকলচর বিবেক কুমার দিৱাংগল অমদি এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি টেক্সতাইল, কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি অনুরাগ ভাজপায় শরুক য়াগনি। থৌরমগী মনুং চন্না দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা পি.এম. ধন ধনিয়া য়োজনা অমদি পলসেস মিসনগী থৌরম লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা উহনগনি হায়রি।

**জয়শঙ্কর ঃ** পাহলগামদা চথখিবা তেরোরিষ্টকী এটেক অদুবু আফগানিস্তান্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা লৈবাক

অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। ডাঃ জয়শঙ্কর অমদি আফগানিস্তানগী ফোরেন মন্ত্রি মোলাৱি অমিরখান মুতাকিনা নিউ দিল্লিদা ঙরাং ৱারী শান্নরবা মতুংদা নাকল অনিমকা তেরোরিজমগী থৌওংশিংবু অমত্তা ওইনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবনি। লৈবাক অমগী অপুনবগী শক্তমবু ইকায় খুমবা হায়বসি তঙাইফদে হায়না লুচিংবা অনি অসিনা ফোংদোকখি।

আফগানিস্তানগী ফোরেন মন্ত্রি শ্রী মুতাকিনা মখা তানা হায়- আফগানিস্তান সরকারনা কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয়গী লৈবাকপু শিজিন্নদুনা ভারতকী মায়োক্তা থবক তৌবা অয়াবা পীরোই হায়বগী থাজবা অদু অমুক হন্না পনখি।

অমরোমদা, ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ জয়শঙ্করনা হন্দক থোকখিবা য়ুহার হাবগী থৌদোক্তা নংগরহার অমদি কুনার প্রোভিন্সতা মীওই কয়া লৈখিদবা অমদি অমাং অতা থোকখিবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোংদোকখি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা ভারতনা তোঙান তোঙানবা তেংবাংগী পোৎলম কয়া পীরকপগীদমক্তসু আফগানিস্তানগী ফোরেন মন্ত্রিনা তৌবিমল খঙবা উৎখি।

**এয়ারলাইন ঃ** ভারত্তা লাক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা কুম্মৈশিংগা মরী লৈননা এয়ারলাইনশিংনা টিকেৎকী মমল মরম চানা লেপ্পায়ু হায়না কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রাম মোহন নাইদুনা আপীল তৌখ্রে।

এয়ারলাইন্সকী কাংবুনসু পেসেঞ্জরশিংগী খুদোংচানবা থবক তৌবনা খ্বাইদগী মরুওইবা মখোয়গী থৌদাং ওইগনি হায়না থাজবা পীখিবগা লোয়ননা হাই ট্রাফিক রুটশিংদা অহেনবা ফ্লাইটশিং হাপচিনদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা পীগনি হায়নসু ফোংদোকখ্রে হায়রি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা রিভিউ মিতিং অমদা শ্রী নাইদুনা পেসেঞ্জরশিংদা হেন্না নুংঙাইহনবতা নত্তনা মখোয়বু তেক্ত কায়দনবা তোঙান তোঙানবা চৎন কাংলোন কয়া নিংথিনা ঙাকপা হায়বসিসু তঙাইফদে হায়খি।

------